# নচাদো মখোঙ-মখুৎ শুনা ফংনীংলগদি ...

- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -

হন্দক মরকসে থৱায় য়াম্না নুংঙাইনা লৈরুরবনি, মরু ওইনা ঐহাক্না হায়বা ইন্দে হায়দুনা খরা চৈ থাংদুনা ৱারুকপদা শাওদুনা মবোক্কীদা থা অহুম মরি লৈরুরবা মতুংদা ইচানুপা য়াইম ননাওনা ৱাখল তারক্তুনা অমদি য়ুমদা হল্লক্তনা মমা মপানা হায়বা ইন্দুনা থবক্কসে চিলহাও থিদনা কন্না শুরকপসিদা। মদুগী মথক্তা মহাক্কী তুংগী পুন্সিদা য়াম্না কান্নগদবা অমদি মতেং ওইরক্কদবা তাইৱানগী আর্ম ফোর্সেসতা থবক চঙবগী রাইটন টেষ্ট পাস তৌদুনা ফিজি কেল টেষ্ট তৌরগা লাক্লিবা নবেম্বর থাগী অরোইবা চয়োলদা থবক হৌবগী নুংঙাইদুনা লৈবসিদা। অসুম্না ইচা ননাওনা আর্মিদা চঙদুনা মী অমা ওইরকপা ঙম্লগনি, নোংমদি আর্মিগী ওফিসর অমা হায়বদো ওইবা ঙম্লগনি খন্দুনা মমাসু ঐহাকসু য়াম্না নুংঙাইনা লৈরকপনি, ঐহাক্না ইরমদম কংলৈপাক্তা কোইরুবগী ওগষ্ট থাদা হেক হল্লকপদগী। খলুদে অসিগুম্বা অসুক শাথিবা, পামদবা থৌদোক অমা হেক থোরক্কনি হায়বা।

চৎলিবা সেপ্তেম্বর থাসিগী হৌখিবা তাং ১১ গী অয়ুক্কী পুং ১০.৩০ তারকপা অদুৱাইনি 'নচাদো মখোঙ-মখুৎ শুনা নয়ুমদা হল্লকহনবা পাল্লবদি লুপা লাখ ১৮ খুদক্তা পীগদবনি' হায়না ঐহাক্কী লোইনবী চানিংলৈমনা য়ুমগী টেলিফোন পায়খৎলুবদা হায়রকপনি খোঞ্জেল য়াম্না কাকপা নুপা অমনা। নুপা অদুনা মখা চথুরকই, 'নচানুপানা ৱিটনেস ওইদুনা মহাক্কী মমান্নবনা লুপা লাখ ১৮ পুবদা মহাক্কী খুৎয়েক পীদুনা লৌখিবনি। মমান্নবা অদু চেনখ্রে, থিবা ফংদ্রে অদুনা নচানুপানা শেনফমদু শীংগদবনি মহাক্না খুৎয়েক পীখিবনা নত্ত্রদি মহাক্কী মখোঙলা, মখুৎলা অমা ককথৎলগা থারক্কনি' হায়রকপদুদা ঐহাক্কী লোইনবী চনিংলৈমনা তৌশিন্নবা ওইরম্বা য়াই হায়দুনা ইচানুপাগী আইন্টেটি নম্বর হায়রকউ হায়না হায়রুবদা ইচানুপা ননাওগী আই দি নম্বরদো চুম্না হায়রকই। লোয়নন তঞ্জাদুদা ননাওনা কপ্তুনা 'মোমি ঐহাক মখোয়না ফুবদা কোকসে ঈগা লোইনা থোক্লে মখোয়না ফুবদা, মখোয়দা হোস্পিটালদা অমুক্তা হন্না পুবিয়ু হায়বিয়ু' হায়না ঐহাক্কী লোইনবী চিংনিংলৈবদা তাহল্লি। মমানা কমাইনা শেল পুরুবগে খুৎয়েক পীরুবনো ঐখোয়দদি অমুক্তা পনখিদে হায়রুবদা, 'করম্বা মমা মপানো, চয়োল অমা ফারবনি মঙোন্দা শেল শীলক্লবা হায়খিবা অদুবু চয়োল অমা শুরক্লবা ফাওবদা পীরক্তবদগী নচানুপাবু ৱারকপনি, খুদক্তা শেনফমদু শীংগদবনি' হায়না হায়রই। মমানা পাখৎপগা লোয়ননা ফোন তৌরক্লিবা নুপাদুদা, 'হৌজিক হৌজিক্তি খুত্তা শেল লৈতে অদো বেঙ্কতগী পুরগা পীরক্কে হায়বদা নুপাদুনা 'য়াই, য়াম্না থুনা পীগদবনি। সানা লুপা ওইনা পীরসু ঙসিগী হান্না অরৈবগৈ পীয়ু' হায়না হায়রকই। মমানা 'ফরে অদুদি হোরেন পুং ২.৩০ অদুৱাইদা ঐখোয়গী য়ুমদা লাকউ, অঙম্বা শেল পুদুনা, খোমজিদুনা পীরগে হৌজিক্তি ওফিসতা থবক চৎকদবা লৈ হায়না হায়রগা টেলিফোনদু থম্লে।

মমা অমা ওইবগী মথ্বায় য়াম্না ৱানা, পাখৎনা চনিংলৈবনা ফোন তৌরকই ঐহাক্কী ফোন্দা। মতমদুদা ঐহাক্তি ঐহাক্কী অয়ুক্কী য়ুনিভর্সিটি ক্লাস লৌবা লোইদুনা ঐহাক্কী ওফিসতা ইবা খোৎপগী থবক তৌদুনা লৈরম্বনি। ঐহাক্না ফোন পায়খৎপদা য়াদবদুদা ঐহাক্না ফোন অমুক তৌই য়ুমগী ফোন্দা। মদুদা চনিংলৈমনা, 'সমথিং হেস হেপ্পন টু ননাও' হায়না হায়রকই। মদুদা ঐহাক্না খল্লম্বা মহাক্কী মোটোরসাইকল থৌবদা অশোই অঙাম য়াওরবজাৎলা হায়না খলুবনি অদুবু শেল অসুক য়াম্বা লুপা লাখ ১৮ শিংবগী ৱারম মমানা হৌদোরকই। মদুদা ঐহাক কোক খাঙসা শাগৎখি অসুক য়াম্বা শেল কমাইনা শীংগদৌরিবা অসুক থুবা, অসুক তেনবা মতমদা হায়দুনা অমদি ইচানুপা ননাওদসু শাওনিংবা পোকখি করিগী ঐখোয়দা হায়দনা ৱাফমসি করিগী থল্লিবনো হায়দুনা। লোয়ননা নুংঙাইতবসু ফাওখি মহাক অন্দরগ্রাওন্দ কেং কাঙবুনা ফাজিন্দুনা ফু চৈদুনা থম্লে হায়বদুদা।

অদুগা অমরোমদা খোইদৌ শাওনিংবা অমসু পোকএ করিগী ঐখোয়দা হান্না মাঙজৌননা খঙহল্লক্ত্রিবনো হায়দুনা। অমরোমদা চিংনবসু ফাওই। চিংনদুনা, "মখোয়গীদুবু শেংলবজাৎলো, মীঙোন্দগী তৌশিন্নদুনা শেল লৌথোকপা কাঙবুদি নত্তেকো" হায়না মমাদা হংবদা মমানা "ঐহাক খঙই, ননাওগী খোঞ্জেলনে। মখোয়না ফুবীদনা মহাক ঈকা লোয়না থোক্তনা লৈরে হায়না হায়য়ে" হায়না হায়রকপদা ঐহাক্না, "ঙাইখো শেল পীবা হায়বদো পীফম থোক্লবদি পীবা তারেদনা অদুবু পুলিসতা হান্না পাউ পীদুনা তান্নসি করি তৌবা য়াবগে হায়বদো হায়না হায়বদা মমানা, "পুলিসতা হায়রুনু হায়রকই। করিগুম্বা পুলিসতা হায়রুরবদি নচানুপাসে মখোঙলা মখুৎলা অমদি য়াওররোই হায়না কিহল্লকই নুপাদুনা" হায়না ঐঙোন্দা হায়রকই। ফরে অদুদি ঐহাক ঙসিগী ক্লাস লৌবসু লোইরে য়ুমদা লাক্লগে হায়দুনা ফোনদু থম্মী। অয়ুক্কী ক্লাসসু লৌবা লোইরে হায়দুনা ঐহাক্কী পোৎচৈ লোইশিন্দুনা লাক্লে য়ুম্লোমদা করি তৌসিগে খনদুনা। লম্বীদা ঐহাক্কী মোটোর সাইকলদু থৌদুনা অসুম লাকপদা খল্লি পুলিসতা হায়সিরা হায়রোইসিরা হায়দুনা। মমানদি ইচানুপা ননাওদা ফত্ত-নুংদা হেন্না থোকপা য়াই হায়দুনা পুলিসতা হায়রুনু হায়না কন্না হায়রকখিবনি। অদুবু ঐহাক্কী ৱাখলদনা তুমীন্না ওইরইবু পুলিসকা তান্নবনদি চুম্মীনা হায়না খন্দুনা ঐহাক্কী হল্লকপগী লম্বীদা লৈরিবা পুলিস ষ্টেসনদুদা চঙলে, চনিংলৈমদা খঙহন্দবীদা।

ইতোমতা খঞ্জখি পুলিসপু অসুক থাজদবা, য়ানিংদবা ইরমদম কংলৈপাকতাফাও অসিগুম্বা থৌদোক থোক্লবদি পুলিসতা পাউ পীদুনা করি তৌবা ফৈ হায়দুনা তান্নরিবনি। অদুগা অসুক মথৌ নীংথিজনা তৌবা, মীয়াম্বু ঙাক শেনবীবা তাইৱানগী পুলিসসিদনা করিগী তান্নরোইদৌরিবনো হায়দুনা চঙই। পুলিস ষ্টেসনদা লৈরম্বা ওফিসর খরদুদা, "ইজ দিয়ার এনিৱান হূ কেন স্পিক ইংলিস" হায়না হংবদা মখোয় অনী অহুম চঙশিল্লক্তুনা করি থৌদোক লৈরে হায়না হংলকপদা ঐহাক্না শুগাইনা তম্মী। মখোয়দসু খঙহল্লি ঐহাক্কী লোয়নবী চনিংলৈমনা পুলিসতা হায়রুনু হায়বদুসু। অসুম্না করি তৌবা য়াই হায়না তান্নবদা মখোয়না ঐহাক্কী লোয়নবী চনিংলৈমাগা ফম্মিন্নদুনা ৱারী শানবগী মথৌ তাই হায়রকই পুলিসশিং অদুনা। তাঞ্জাদুদা মখোয়না ইচানুপা ননাওদা ফোন তৌসি হায়বদুদা ঐহাক্কী ওফিসতগী মহাক্কী ফোনদা অনীরক শুরে তৌবা অদুদা পায়খৎলক্তে হায়দুনা অমুক তৌই অদুবু পায়খৎলক্তে। মতমদুদা খনখি গেং কাঙবু অদুনা মহাক্কী ফোনসু লৌশিন্দুনা থল্লম্মনি হায়দুনা। অহুম্লক শুরে মহাক্কী ফোনদা ফোন তৌবা অদুবু অমুকফাও খুম্লক্তে।

পুলিসশিংদুগা করি তৌসিগে তান্নরবা মতুংদা মখোয়গী পুলিস কারদুদা তোংদুনা লাক্লে। চনিংলৈমাগী ওফিসতা নুপা পুলিস অমগা নুপী পুলিস অমগা পুন্না ঐখোয় অহুম। চনিংলৈমগী স্কুল য়ৌরবদা নুপা পুলিসতুনা গাড়ী খাল্লিঙৈ নুপী পুলিসতুগা ঐখোয় অনী স্কুল ওফিসতা চঙবদা ঐহাক্কী লোয়নবী চনিংলৈমদি করিগী পুলিস পুদুনা লাক্লিবনো হায়দুনা মাদি অদুম পাখৎপা, থককৎপা অদুম ফাওখ্রে। মহাক্কী মওংদুদা ঐহাক্না শন্দোক্না হায় মখোয়না মতেং পাংবা ঙমগনি হায়দুনা। অহানবদদি পুলিসনা হংবদা মহাক্না শেংনা হায়দোকখিদে। মদুদা ঐহাক্না নমদুনা শেংনা হায়দ্রবদি মখোয়না ঐখোয়গী মতেং পাংবা ঙম্লোই হায়বদগী হায়দোকই পুম্নমক।



পুলিসনা হংবা য়াবা ৱাহংশিং হংদুনা মমৈথংদদি ফোন তৌরক্লিবা নুপাদুগী ফোন খঙবরা হায়না চনিংলৈমাদা হংবদা খঙদে য়ুমদদি ফোনদা য়াওরমগনি হায়দুনা পুলিস অনীদুনা ঐখোয় য়ুমদা চৎলসি অদুগা য়েংলুরসি হায়দুনা লেপ্লরে। তাঞ্জাদুদা পুলিস ওফিসর অনীদুনা মমাদগী লৌখিবা ননাওগী ফোন নম্বরদুদা ফোন তৌদুনা পাউ ফাওননবা হোৎনরি। ৱারী খরা শানবা তাই, কনাগা শানরিবনো হায়বদুদি খঙদ্রি। থৌদোক অসিদা তশেংনা মমা অমনা মচাগীদমক কয়া য়াম্না ৱাজবগে হায়বদো ঐহাক্কী লোয়নবী চনিংলৈমদগী ময়েক শেংনা খঙবা ঙমখি। ঐহাক্কী ইফমদনা ইচা ননাও ফাখিবগী, ফুবগী নুংঙাইতবমক লৈরবসু ঐঙোন্দা শাউনিংবা অমা য়ওরি। করিগীদমক অসুক চাওবা শেনফম পুবদা খুৎয়েক পীরুরিবনো হায়দুনা। অদুগা অতোপ্পা অমনা করম্না অসুক য়াম্বা শেনফম অসিবু কয়াম থুনা শিংবা ঙমগদৌরিবা হায়বদুনি। অদুগা হায়রিবা থৌদোক অসিবু শাশিন্নবা কাংবুনা শেল লৌথোক্লবা হোৎনরিব্রা নৎত্রগা অশেংবা থৌদোক্লা হায়বসিনি। অদুবু ঐহাক্কী লোয়নবী চনিংলৈমগী মফমদদি শেলগী অৱাবসু খল্লুদে, মচা ননাওদা শাওনিংবসু পোক্লুদে অদুগা ফোন তৌরকপা, কিহল্লকপা মীওইশিং অদুদা চিংনবসু পোক্লুদে। মহাক্না খঞ্জখিবা হায়ববু মখোয়দি অঙম্বা শেল খরা খুদক্তা পীদুনা ইচা ননাওবু থাদোরকপা অদুনি। মসি পাঙথোক্লবা হায়দুনা ঐহাক্কী সনাগী লিক অচৌবা অমখক লৈবদুসু লৌথোক্তুনা লৈরম্মে, বেঙ্কতগী শেল পুনবসু শেম শাদুনা লৈরম্মে। মহাক অসুক্কী মতিক মচাগীদমক ৱাজখি।

মরম অসিনা ঐহাক্না পুলিস পুদুনা মহাক্কী ওফিসতা চৎপা মতমদা মহাকতি পাখৎখিদুনা কুচু কুমেন তাইফেৎ তাখি অদুগা পুলিসতসু হায়দোকউ হায়বা য়াখিদবনি অহানবদদি। অদুবু ঐহাক্না হায়মনবদগী, ৱাখল নিংথিনা তাহনবদগী পুলিসতা তপ্না-তপ্না হায়দোরকখিবনি মীওইশিং অদুনা হায়রকখিবা ময়ামদো। মহাক্কী ৱাখলদদি করিগুম্বা ঐখোয়না পুলিসতা পাউ পী হায়বা খঙলবদি ইচা ননাও হেন্না অৱাবা তাগনি অসিনি। তৌবগীদি মহাক্না তৌরিবসি, খল্লিবসে চুম্ব্রা চুমদব্রকা অমত্তা খংদ্রবনি মহাক্না তৌরিবসে। মহাক্কীদি মচানুপাসে কল্লগা লোয়রে, শোক্ত্রগা লোয়রে হায়বসিনি। মসিনি মমা ওইবী অমনা মচাবু কয়াদা নুংশিবগে হায়বদো। অদুবু ঐহাক্কী ইফমদদি অচুম অরান, শেলগী পিফম, মরম চাবা চাদবা ময়াম অমা খন্থবা ঙম্লি।

অতোপ্পা ঐহাক্না খঞ্জহৌবা অমনা পুলিসনা কয়াগী মতিক হিরমসিবু লুনা অমদি লুম্না লৌবা হায়বদুনি। ঐহাক্না হেক পাউদু তম্বগা পুলিস ওফিসর অদুনা ঐহাকপু মখোয়গী কারদা হাপ্তুনা খুদক্তা চনিংলৈমগী ওফিসতা পুদুনা থৌদোক অদুবু লোয়শিন্নবা হোৎনবদুনি। চনিংলৈমনা পাউখুম পীদ্রফাওবদা মহাকপু ৱাখল তাহন্দুনা তপ্না, ৱাখল তানা ৱাহংশিং হংখিবনি লোয়ননা ইচা ননাওগী ফোন নম্বর লৌদুনা ফোন তৌখিবনি। ইচা ননাওগী ফোন নম্বরদুসু পিনিংদা-পিনিংদা ঐহাক্না হায়বদগী পিখিবনি। পুলিস ওফিসর অনীদুদা। অসিগুম্বা য়াম্না মথৌ মশক খঙবা, মথৌ নীংথিনা খুদক্তা হায়নরুবা লৈতনা তৌবা, ঐখোয়দা ঐখোয়গীদমক মখোয় লৈরিবনি হায়বগী থাজবা অমা পীবা ঙম্লিবা অসিগুম্বা মতিক ময়াই অসে ঐখোয় ইরমদমগী পুলিস অমদি আর্মিশিংদসু য়াম্না চেলহন্নিংই। অদুবু লাইবক থিবদি ঐখোয়গীদি মখোয়দা পাউ পীবদি লায়রদনা মখোয়দগী করম্না লাপথোক্না লৈগদগে হায়বগী ৱাখল্লোনদু ফাউহন্দুনা লাক্লি ঙসি ফাওবদা। ঐখোয়গী পুলিসশিংসে কনা লৈজদবা মীওইশিংগীদি য়েক্লবগুম লৈরি। অদুগা অমরোমদনা শেলবু পীরবদি লাল্লবসু অদুম চুমহনবা ঙম্মী। মসিসু মখোয়দা লোইনা তাইনবদি লানগনি। মখোয়গী মথক্তা লৈরিবা পোলিটিকেল লুচিংবশিং অসিনা মখোয়দা হায়বদু তৌদ্রবদি থবক তাৎকনি হায়বনচিংবা কিহনবননি নৎত্রগা পুন্না চৎমিন্নদুনা শেল চামিন্নবা। শেলবু পীজবা ঙম্লবদি অচুম্বগী অচুম্বা ঙাক্তনি ইরমদম কংলৈপাক্তদি। মরম অসিননি অসুক কুইরবসিফাওবদা অসুক লায়না খঙবা, উবা ঙম্লবা ইচা বেমিসনাগী কেস অসিবু হৌজিক ফাওবা লোইশিনবা ঙমদনা লৈরিবসে। মসি মীচম মীয়াম্না লোইনা খঙনা, উনরবা কেস নৎত্রো. লায়রবগী মীচঙ লৈতে হায়বদুনি। মসিনা লায়রবা খক্তা শোকপা নত্তে খুন্নাই অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক শোক্কদৌরিবনি, শোক্লিবনি হায়বসে লুচিংবশিং, পুলিস পর্সনেলশিং অসিনা নীংশিংবিবা ফৈ।

ইচা ননাও ফাখিবগী ৱারীদা হঞ্জিল্লকপদা ঙাসাই পুলিসনা কাচিন অমদা চঙশিন্দুনা ফোন্দা ৱারি শান্নবদো অতৈ কনা ওইরমদ্রে, ইচা ননাওগা শান্নবা ওইরম্মে। করম হায়না পাউ ফাওনরিবনো খঙদে ঐহাক্না মখোয়গী মমাংদা অহুম্লক ফোন তৌবদদি পাইরক্তে। ঐহাক্না খল্লুবনা মহাক্কী ফোনদুসু মখোয়না শোয়দনা লৌশিন্দুনা থল্লম্মনি হায়না খল্লুবনি। অদুগা পুলিসনা অমুক তৌবদদি অদুম ফাওনদুনা ৱারী শান্নরিবা। পুলিস ওফিসর অদুনা ঐখোয়দা চঙশিল্লক্তুনা নাচানুপা করিসু অশোইবা লৈতে, মহাক হৌজিক হৌজিক থবক শুরি তাইপৈদা হায়না হায়রক্লগা ফোনদা ৱারি শান্নহল্লি মমাগা। পুম্নমক শোইদ্রে খঙলবদা য়ুমদা চত্তুনা টেলিফোন নম্বরনচিংবা থিজিনবগী মথৌ তাদবনা ঐহাক্কী লোইনবি চনিংলৈমদা য়ুমদা হন্দ্রসু য়াররনি, ওফিসতা থবক মখা অদুম চথুবিরো হায়রে পুলিস ওফিসরশিংদুনা। মদুদা মমাগা ঐখোয় অনী ইচাদো শোয়দা ঙামদনা লৈরে খঙবদা অসুক্কী মতিক নুংঙাইবা ফাওজখি। মসি মমা মপা ওইবখক্তনা খঙবা ঙমগনি খল্লি। নুংঙাইবা পাও তারবদা ঐহাকসু পুলিসকী কারদা পুন্না অমুক লাকমিন্নদুনা মখোয় পুলিস ষ্টেসনদা খাল্লম্বা ঐহাক্কী মোটোসাইকলদো অমুক তৌদুনা য়ুমদা নেনা তানা, হারাওনা হল্লক্লে। থবক সুনিংদবা অসুম্না মীচম মীয়ামদগী শেল লৌথোক্কে হোৎনবা কয়া অসে মফম খুদিংমক্তা লৈ হায়বদুনি। ঐখোয় চেকশিনবা মথৌ তাই। করিগুম্বা অসিগুম্বা থৌদোক অমা থোক্লবদি ফগেরা ফরোইরা, থাজগেরা থাজরোইগেরা পুলিসতা হান্না পাউ পীবনদি অচুম্বা লম্বী ওইগনি। ●

# মহাত্মা গান্ধী : ইন্দিয়া মচেৎ তাখিবা !

- টি ডি ঙাঙোম্বা -

ইন্দিয়া মচেৎ তানা নীংতম্বা ফংখি নৎত্রগা লৌবা তাখি! "মীখা পোনবা ইন্দিয়াগী লম (শরুক) খরা লৌরগা অনৌবা নেসন অমা শেমখি, পাকিস্থান। মসিগা লোয়ননা বৃটিশ ইন্দিয়াগী অরেম্বা শরুক অতৈসু নীংতম্বা ফংখি। কন্সটিট্যুসন্দা মদুগী মমিং থোনখি ইন্দিয়া, হায়বদি ভারত। বৃটিশনা ইন্দিয়াবু অনী থোক্না খাইদোকখি।"

দেশ- পার্টিশনগা লোয়ননা থম্মোয়সু মচেৎ তাখি। অৱা - চৈথেং পোলিসি জ্ঞানগী মরক্তা গাÞé¡জিনা মাগী শিবগী খোঞ্জেল করিনো তারক্লবরা? পুৱারীনা পুৱারী শেম্মী। ... ফীজং (পর্দা) হাইদোকখ্রে। কুমজা ১৯৪৭কী ওগষ্ট ১৪দা পাকিস্থান পোকখি। নুমিৎ অদু হৌখ্রগা মথং ওগষ্ট ১৫গী অহিং নোংয়াইদা মচেৎ তারবা ইন্দিয়াগী নীংতম্বা ফংখি।

ইন্দিয়া - পাকিস্থান খাইদোকখিবা অৱাবা থৌদোক অমনি, থম্মোয় কায়নীংঙাইগী মশক ওইবা ত্রেজিদিনি। মীশি-মীনা কয়া থোকখি, মমা-মপা, মচা কায়নবা কয়ানি। নুপী ওইবীগী ইকায়খুম্নবা কয়া খোঙ্গোইনখি, নমদুনা নমজা নমথেক্লবিখি, জাৎ ওনবা কয়া অমা য়াওদবা নত্তে। মমা ওইবী কয়াগী মথাদগী মচা শেৎনখি, মমাগী মীৎ মমাঙমক্তদা শাহিং চাবা কয়ানা লৈশা মপূং ফাদ্রিবা মচানুপীবু শরাক তমখি, মসি হিন্দু - মুসলিম ফুরুপ অনীদা চপ মান্ননা থোকখিবা থৌদোকনি। মদু উবদা মহাত্মা গাÞé¡জি য়াম্না থম্মোয় শোকখি, মবুক্লিং লৈতাফম খঙখিদে, ঙাওচৎনখি। মহাক পাকিস্থান্দা চৎপা পামখি, দিল্লি শান্তি ওইরবা মতুংদা।

অপূনবা ইন্দিয়াগীদমক, হোৎনবিনবা গাÞé¡জিনা মাউন্ট বেটনদা হায়জখি। মাউন্ট বেটননা দিপ্লোমেসি অমা ওইনা থবক তৌখি। মসিগী মরম্না কোংগ্রেসকী লুচিংবা কয়ানা গাÞé¡জিবু থৌওইদনা -বাই-পাস তৌরগা মশানা ৱারেপ লৌরকখি। গাÞé¡সু বাইসরায় অমসুং কোংগ্রেস লুচিংবশিংগা লোয়ননা ৱারী শানবগী মতম হৌখ্রে, মসি খঙদুনা কম্যুনেল হার্মোনিগী থবক তৌবা বিহারদা চৎখি। অশেংবা কুমজা ১৯৪৭কী মার্চতা পটেল, নেহরু, রাজেন্দ্র প্রসাদনচিংবা দেশ-পার্টিশন য়াথোকখ্রবনি। আজাদনা অমসুং দুর্গাদাসনসু ইরি মদুদি ইহান হান্না পটেলতনা প্রদেশ (ষ্টেট) শিংগী পার্টিশনগা লোয়ননা দেশ (ইন্দিয়া) কী পার্টিশন য়াখিবনি। তৌইগুম্বসুং মতম অদুগী কোংগ্রেসকী লুচিংবা কয়ানা খনখি মদুদি ইংলেন্দগী মথংগী ইলেক্সন্দা লেবর পার্টিনা লৈঙাক পায়রবা য়াবগী ওইথোকপা খরা তাঙনা লৈ। মদুনা নীংতম্বা ফংলরোই। মরম অদুনা পাকিস্থান শেম্বা য়াথোক্লগা নীংতম্বা লৌহৌবা মসি তঙাইফদবা খুদোংচাবনি। "অশেংবা ৱাফমদি কোলকটাগী কম্যুনেল রাইওটনা পটেলগী থম্মোয় কায়খি। মহাক্না করিগুম্বা মাউন্ট বেটনগী দেশ (ইন্দিয়া) পার্টিশনগী প্রোপোজেল অসি য়াদবা তারবদি ইন্দিয়া মনুংদা পাকিস্থান কয়া পোক্লকপা য়াই হায়না খনখি। মহাত্মা গাÞé¡না কৈদৌঙৈদা খক ইন্দিয়া-পাকিস্থান খাইদোকপা পামখিদে। মহাক্না ইন্দিয়া - পার্টিশন থিংনবগীদমক অরোইবা পাম্বৈ ওইনা মাউন্ট বেটন্দা জিন্নানা মাগী অপাম্বা মতুংইন্না মন্ত্রি মন্দল শেম্নবা হায়বিনবা তকশিনখিবনি। ইন্দিয়া জিন্নাগী মখুৎতা খুৎশিন্ননবা ফাওবা শেমজ খিবনি। মসি মহাত্মা গাÞé¡জিগী শান্না য়েংবা মীৎয়েংনি। মুসলিমগী মায়কৈদা তোংবগী ৱা নত্তে। ইন্দিয়াগী অপূনবা শক্তম অমদি ঙমখে কায়দনবা ষ্ট্রেটেজি অমনি।

কোংগ্রেসনা মাগী সী দব্লিয়ু সীগী মীফমদা ইন্দিয়া পার্টিশনগী ৱারেপ লৌখি। বাদশাহ খাঁননা ইরি মদুদি কোংগ্রেস ৱার্কিং কম্মিটিগী মীটিংদা, ঐহাক (বাদশাহ খাঁন) অমসুং গাÞé¡জিতনা দেশ অনী থোক্না খাইদোকপগী মায়োক্তা লৈখি। পটেল অমসুং রাজগোপালাচারীনা মসিবু শৌগৎখি। অমুক মখা তানা ডাক্তর রাম নমোহর লোহিয়ানা ইরি, মদুদি "কোংগ্রেস ৱার্কিং কম্মিটি (সী দব্লিয়ু সী) না পার্টিশনগী ৱাফম (প্রোপোজেল) পাস তৌখিবা মীফম অদুদা জয় প্রকাশ, গাÞé¡জি অমসুং বাদশাহ খাঁন নত্তনা অতৈ কনা অমত্তনা য়েৎপা তৌখিদে।"

কুমজা ১৮৫৮গী জুন ৪দা জোনব্রাইটনা ইংলেন্দগী হাওস ওফ কম্মন্সতা ভাষণ অমা পীখি, মদুদা মানা হায়খি - "ইংলেন্দনা চহীচা কয়া লিশাং শিৎনা ইন্দিয়াদা লৈঙাক্তুনা লৈখিগনি, মসিগী পাউখুম কনানা পীবা ঙমগনি? চহী ৫০, চহী ১০০ নৎত্রগা চহী ৫০০ ওইজ সনু, লৌশিং-জ্ঞান খরদং ওইরবসু লৈবা, মখোয় কনানা হায়বা ঙমগদরা অসুক চাওবা লৈবাক, মদুদা ফুরুপ ২০ হেন্না লৈবা অমসুং তোঙান তোঙানবা লোল ২০ হেন্না ঙাঙবা লৈবাক অমবু চেৎনা অমসুং মতম চূপ্পা লেংদনা সাম্রাজ্যবু অমত্তা ওইনা অমসুং লিংজেল মান্ননা থম্বা ঙমগদরা? ঐহাক্না খনবদা মদু ওইথোক্তবনি।"

কুমজা ১৯০৬তা 'হিন্দু মহাসভা' লিংখৎখি। লূপ অসি কৈদৌঙৈদা নীংতম্বগী অন্দোলন্দা শরুক য়াখিবা লৈতে। শ্যামাপ্রসাদ মুখর্জি 'না ইন্দিয়া শিনবা থুংনা আন্দোলন তৌবগী মায়কৈদা লৈখি। সাৱারকরনা য়ানীংবা উৎখিদে। মখোয়না কোংগ্রেসকী অহিংসা অমসুং অসহযোগ (Non-Co-Operation) কী পোলিসিবু থাজবা লৈতে। কোংগ্রেসকা মুক্লদুনা লৈ। নীংতম্বগী ঈহৌ শাগৎতুনা নীংতম্বা ফংনবা হোৎনবা তৌখিদে অমসুং নীংতম ঈহৌ অমত্তদা শরুক য়াখিবসু লৈতে। ডাক্তর বি এস মুঞ্জেনা পাউমী অমগা উনবদা হায়খি, "ঐখোয় কোংগ্রেসকী অহিংসা অমসুং অসহযোগকী পোলিসি (নিতি) বু সপোর্ট তৌদে। ঐখোয় মসিগী মায়োক্তা লৈ। ঐখোয়না responsive co-peration দা বিশ্বাস তৌই। হিন্দু মহাসভাগী অধ্যক্ষ অমা ওইনা বীর সাৱারকরনা ময়েক শেংনা হায়খি মদুদি 'হিন্দু ফুরুপ অমনি, হিন্দুস্থান হিন্দুশিংগী লৈফমনি, মসিদা মুসলমান আঁচলিক নাগরিক (Zonal Citizen) নি।"

নীংতম্বগা লোয়ননা দেশ-ইন্দিয়া-পার্টিশনগী ক্লোজ ফ্রেন্দশিপকা মরী লৈনদুনসু পাকিস্থান খঙহৌদনা পোক্লকপা থৌদোকনি হায়না লৌবা অরানবনি। মসি মতম কুইনগী মমাঙদগী শেম-শাদুনা লাক্লবা অপাম্বা অমসুং হোৎনরকপগী ফলনি। কুমজা ১৯৩০দা কেমব্রিজ য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয় চৌধরি রমহত অলি কৌবা অমনা ইহান হন্না 'পাকিস্থান' হায়বা ৱাহৈ অসি শীজিন্নখিবনি। পাকিস্থান হায়বা ৱাহৈ অসি উর্দুনি। মসিগী ৱাহন্থোক্না পাবিত্র ভুমী (অশেংবা লৈবাক) হায়বনি।

কুমজা ১৯০৯দা মুসলমান ফুরুপকী লুচিংবা মীওই খরনা লার্ড মিন্টোগা উনখি, অদুগা মখোয়গীদমক তোঙান্না ভোট তৌহন্নবা ৱাফম থমখি। মদু মি: মিন্টোনা শৌগৎখি। পুৱারীশুবা মীওই খরনা মিন্টোনা মদুদগী দেশ পার্টিশনগী মরূ হুনবা হৌখিবনি হায়না লৌনরি। তৌবদি কম্যুনেল-ইলেক্সনগী মতাংদা লৈঙাক্লোইশিংগী মরক্তা মত মান্নদবা কয়া য়াওখি। বৃটিশ লৈঙাক্না হৌজিক তুমিন লৈবনা থবক চৎনবা য়াররোই, করিগুম্বা খরা তৌবা চুম্মী খনখি। জোন ব্রাইটকী বিচার কনানা শৌগৎপা নৎত্রগা লৈঙাক্না ফোংনা অমদি লোন্না করি থৌরাং লৌখৎপা, মদু হায়বা ঙমদে, অদুম ওইনা চাওরাক্না মতম অদুমক্তদা বোম্বেগী গভর্ণর এলফিন ষ্টোননা লৈঙাক সাসন তৌবা মতমদা দিভাইদ এন্দ রুলগী পোলিসি তৌনবা পাউতাক কয়া পীখি। অসুম্না হু কামখি। মদুগী মহয়তনা হিন্দু-মুসলিম অনীগী নুংশিনবা অমসুং পূন্না লৈমিন্নবগী লম্বীদা খুরৌ থাংখি। বাইসরায় লার্ড রিডিংগী লমজিং মখাদা - "লৈঙাক্না মুসলমানশিংগী অশেংবা দোষ্ট (মরুপ) গাÞé¡জি নত্তে, মখোয়নি খঙহন্নবা কন্না হোৎনখি।" লার্ড রিডিংনা ২১-০৯-১৯২২দা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী সেক্রেটরিদা চিঠি অমা ইখি, 'ঐহাক্না নঙোন্দা টেলিগ্রাম অসি থাখিবনি। মসিদা নহাক্না উবা ফংগনি, মদুদি হিন্দু অমসুং মুসলমানশিং নুংশিনদনবগী থবক ঐহাক্না তৌবা য়াবা চাউরাক্না পুমলোই লোইরে।"

গাÞé¡জিনা ইন্দিয়াগী ঙমখৈ কায়দনবা, মানা তৌবা য়াবা মখৈ তৌখি, হোৎনখি। অদুবু মঙোন্দা মরাল কয়া শিখি। মহাকপু হাৎখি। গাÞé¡জিনা পার্টিশন থিংনবা পুকচেল শেংনা তৌখিদে, চৈখি। তাথীনা তৌখি। অদুবু গাÞé¡জিবু চৈবা নত্তনা মঙোয়না 'পার্টিশন' থিংনবা থবক করি অমত্তা মখোয়না তৌবা য়াবা তৌখিদে। ঐখোয়না খঙবা য়াবদি, গাÞé¡জিগী মগুন অমসুং মহাক্কী থবক-থৌওংনা গাÞé¡জিবু মীয়ামগী থম্মোয়দা লৈরিবা নুংশিবা, মদু খক মাঙহনবা ওইথোক্তবনি। 'পাকিস্থান' শেমখিববু পুৱারীনা দেশ (ইন্দিয়া) পার্টিশন ওইনা লৌরি।

ৱারোইশিন : লৈবাক অসিদা মপান্দগী আর্য্য লাকখি। অনার্যকা মখোয়গা লান্থেংনখি। অমুক অনী পূন্না ইন্দিয়াগী মীওই পুন্সিগী মরু ওইবা হৌরকফম ওইরকখি। শক, হুন, পঠান, মুগল মখোয়সু মতম মতমদা লাকখি। মখোয়সু হকচাং অমত্তদা পূনশিনখি। তৌইগুম্বসুং চাউরাক্না হিন্দু - মুসলমান অনী মতম পূম্নমক্কী ওইনা (পার্মিনেন্ট) পূনবা ঙমখিদে। ইন্দিয়া হিন্দুতগী দেশ নত্তে, ইন্দিয়াগী শরুক অমত্তদা মুসলমানশিংতগী দেশ শেম্বা য়ারোই, পাক চাউরবা ইন্দিয়াদা লৈবা মখল মখাগী ধর্ম্ম চৎপা, মদুদা হিন্দু অমসুং মুসলমানসুনি, পূম্নমক্কী দেশনি। মুসলমাননা মশাবু মুসলমান অমা ওইনা খক খনবা তৌরোইদবনি, হিন্দুসু, মশাবু হিন্দু অমা ওইনা খক খনবা তৌরোইদবনি। ঐখোয় পূম্নমক ইশাবু জাতি-ধর্ম্ম-বর্ন (কাষ্ট) দা করি অমত্তা খেন্নবা লৈতনা 'ইন্দিয়ন' ভারত মচা অমা ওইনা খনগদৌবনি।

(আর্টিকল অসি ইবদা মতেং লৌখিবা লাইরিকশিং : (১) Pakistan or Partition (২) শ্যামাপ্রসাদের ডায়রি ৱা মুত্যু প্রসংগ (৩) History of the Freedom Movement in India, Vol - 4 (৪) Verdict of India (৫) My life and struggle (৬) Guilty Men of India's Partition (৭) India from Curzon to Nehru and After (৮) Mahatma Gandhi - The last Phase Part - II (৯) কিয়া দেশ কা বিভাজন অনিবার্য হী থা ? (১০) Transfer of Power 1942 - 7, Vol. - II). ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।